
ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
HUEIYEN LANPAO
The messenger of the masses
# হুইয়েন লানপাউ
The Largest Circulated Newspaper in Manipur
Member : Audit Bureau of Circulations (ABC), Media Research Users Council India (MRUCI) & Indian Newspaper Society (INS)




Vol. 49, Issue No. 203 | লৈবাকপোকপা, হিয়াঙ্গৈগী ৬নি পানবা | অপূনবা লামায় মশীং ১২ | HUEIYEN LANPAO | Tuesday, October 28, 2025, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 5.50

ৱাথোক ওইরকপদগী হায় কোর্ট ওফ মণিপুরদা কেস ২ মায়োক্লরবা মণিপুরগী জল জিবন মিশন

# বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টতসু জল জিবন মিশনগী থবকশিং মপূং ফানা লোইশিল্লমদবা য়াওরব্রা

দেপ্যুটি কম্মিস্নর পুজা এলাংবমনা মরী লৈনবা এস দি ও অমসুং পি ঐচ ঈ দিগী ইঞ্জিনিয়রশিংগা লোয়ননা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী ৱাটর সপ্লাই স্কিম ৩গী ফীভম হকথেংননা য়েংশিনখ্রে

দেপ্যুটি কম্মিস্নর পুজা এলাংবমনা ওফিশলশিংদা মখোয়না লৌগদবা থৌদাং লৌদুনা অথুবা মতমদা য়ূমথোঙ খুদিংদা অফবা অমসুং থক্লনবা ঈশিং মরাং কায়না ফংহন্নবা খঙহনখ্রে

হুইয়েন ব্যুরো

**ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৭ (ঐচএনএস) :**
লৈবাক অসিগী ষ্টেট ২৮ অমসুং য়ুনিয়ন টেরিটরি ৮দা লৈরিবা রুরেল এরিয়াশিংগী মীওইশিংদা অফবা থক্লনবা ঈশিং পাইপকী খূথাংদা য়ূমথোঙ খুদিংদা ফংহন্নবগী পান্দমদা ওগষ্ট ১৫, ২০১৯দা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা হৌদোকখিবা জল জিবন মিশন (জে জে এম) গী থবক থৌরমশিং মণিপুরগী ওইনসু ষ্টেট অসিগী রুরেল এরিয়া অমদি চীংগী মফমশিংদা পায়খৎলকপদা অশোয়বা-অরানবা কয়া য়াওরে হায়দুনা ইন্নর মণিপুর পার্লিয়ামেন্টরি কন্সটিট্যুএন্সিগী এম পি ডা. অঙোমচা বিমোল অকোইজম অমসুং চান্দেল দিষ্ট্রিক্টকী খুল ১২গী ভিলেজ চীফশিংনা পিটিস্নর ওইদুনা হায় কোর্ট ওফ মণিপুরদা পি আই এল অমা অমসুং সিভিল রিট পিটিশন অমা ফাইল তৌরক্তুনা ৱাকৎলক্লিঙৈগী চৈরক্তা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টতসু মিশন অসিগী মখাদা মীয়ামদা থক্লনবা অফবা ঈশিং ফংহনবগী থবক মপূং ফানা চথবা ঙমদবা য়াওরব্রা হায়বগী ৱাহং থোরক্লে।

জল জিবন মিশন ...মখা লমায় ৩ কলম ২


দি সী পুজা এলাংবমনা এস দি ও অমসুং পি ঐচ ঈ দিগী ঈ ঈগা লোয়ননা ৱাটর সপ্লাই স্কিমশিং য়েংশিনবা

**মণিপুরদা জল জিবন মিশনগী থবক থৌরমশিং চত্থরকপদা শলাক শারে হায়দুনা হায় কোর্টতা ৱাকৎলকপা পিটিশনশিং**

| পিটিশন মখল | পিটিশন নম্বর | পিটিস্নর | রেস্পোন্দেন্টশিং |
|---|---|---|---|
| পব্লিক ইন্টরেষ্ট লিটিগেশন (পি আই এল) | ২৪ ওফ ২০২৫ | ডা. অঙোমচা বিমোল অকোইজম (৫৮) অপোকপা লৈখিদ্রবা এ কে বিরেন্দ্র, কৈশামথোং তোপ লৈরক | মণিপুর লৈঙাক্কী মহুৎ শিনবা চীফ সেক্রেটরি কম্মিস্নর / সেক্রেটরি পি ঐচ ঈ দি, মিশন দিরেক্টর জল জিবন মিশন, মণিপুর অমসুং মিনিষ্ট্রি ওফ জল শক্তিগী দিপার্টমেন্ট ওফ দ্রিঙ্কিং ৱাটর এন্দ সেনিটেশনগী সেক্রেটরি |
| রিট পিটিশন (সিভিল) | ৮৪৪ ওফ ২০২৫ | অংশোন হুলাং এলিয়জ ঐচ এল অংশোন (৫২), অপোকপা মোরে, চীফ ওফ বেরু খুদাম ভিলেজ (চান্দেল দিষ্ট্রিক্ট) অমসুং মহাক্কা লোয়নবা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী খুল ১১গী চীফশিং | মণিপুর লৈঙাক্কী মহুৎ শিনবা চীফ সেক্রেটরি, এদিশনেল চীফ সেক্রেটরি (ট্রাইবেল এফেরস এন্দ হিলস), প্রিন্সিপাল সেক্রেটরি / কম্মিস্নর / সেক্রেটরি (পি ঐচ ঈ দি), চান্দেলগী দেপ্যুটি কম্মিস্নর অমসুং মিনিষ্ট্রি ওফ জল শক্তিগী দ্রিঙ্কিং ৱাটর এন্দ সেনিটশেনগী সেক্রেটরি |

# মণিপুর শর্বনাস শারিবা, ইরৈচা কয়া লাঞ্জেন্নহল্লিবসি বিরেননা সী এম ওইবা মতমদনি হায়বসি পুৱারীদা লৈহৌরগনি : বিমোল

**ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৭ (ঐচএনএস) :**
মণিপুর শর্বনাস শারিবা, ইরৈচা কয়া লাঞ্জেন্নহল্লিবসি এন বিরেননা ষ্টেট অসিগী চীফ মিনিষ্টর অমদি হোম মিনিষ্টর ওইবা মতমদনি হায়বসি পুৱারীদা লৈহৌরগদবা পোৎশক অমনি হায়না কোংগ্রেস এম পি ডা. অঙোমচা বিমোল অকোইজমনা ফোঙদোকখ্রে।

ৱাফম অসি ঙসি নুমিদাংৱাইরম কৈশামথোংদা লৈবা মহাক্কী য়ূমদা পাঙথোকপা পাউগী মীফমদা মহাক্না ফোঙদোকখিবনি।

ঙরাং হান্নগী চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা থৌরম অমদা এম পি অসিগী মতাংদা ফোঙদোকখিবা ৱাফমশিং শেংদোক্লদুনা এম পিনা হায়, হান্নগী সী এম বিরেননা ইংলিস তেৎ-তেৎ ঙাঙলদনা কায়না হায়বদু তশেংনা ঐখোয়গী পোলিটিকেল কলচর অসি অসুক্কী মতিক থাক নেমথরব্রা হংখি। সিনিয়র পোলিটিকেল লিদর অমনা অঙাং মচা মানবা মওংদা ঙাঙলকপসি খনবদা য়াম্না নুংঙাইতবা অমা ফাওই। ইংলিস ঙাঙবা হায়বসি লোল-লি ফাওননবগী মতুংইন্না তঙাইফরক্তে। ফৌগাকচাও ইখাইদা ঐহাক্লা কর্নেল অদুগা ফোনদা ৱারী শানবদা ইংলিসতা ঙাঙলিবদু পাউ ফাওননবনি হায়খি।

ষ্টেট অসিদা থোক্লিবা চহী অনী হেল্লবা ঈরাংসিদা মহাক মশানা য়ানীংলবসু য়ানীংদ্রবসু মণিপুর শর্বনাস শারিবা অমদি মীচম মীয়াম অমা শিখ্রিবসি এন বিরেননা সী এম অমদি হোম মিনিষ্টর ওইরিঙৈ অমসুং মহাক্কী মখাদা লৈঙাক চলাইরিঙৈদনি। মহাক্কী মতমদনি মীচম কয়াগী য়ূম মৈ থাখিবা অমদি মীতৈনা কংলাতোংবী লানবা ঙমদবা হায়বসি কাউদবা ফৈ।

মহাক্না ফনা ...মখা লমায় ৩ কলম ১



# লোক্তাক পাৎকী বাইওদাইভর্সিটি অমসুং অকোয়বদা লৈরিবা মীয়ামগী হিংবগী পান্বেদা চৈথেং পীরে

নাগালেন্দ য়ুনিভর্সিটিগী দিপার্টমেন্ট ওফ ইনভাইরনমেন্টেল সাইন্সকী এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর ডা. ইলিজা খ্বাইরাকপমনা চথবা ষ্টদিগী রিপোর্ট



**ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৭ (ঐচএনএস) :** নাগালেন্দ য়ুনিভর্সিটিগী দিপার্টমেন্ট ওফ ইনভাইরনমেন্টেল সাইন্সকী এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর ডা. ইলিজা খ্বাইরাকপমনা মণিপুরগী লোক্তাক পাৎকী মতাংদা চথখিবা ষ্টদি অমগী রিপোর্টতা ইন্দিয়াগী ওইনা আইকোনিক ফ্রেশ ৱাটর ইকোসিষ্টম লৈবা খ্বাইদগী হেন্না লৈরিবা অমসুং মণিপুরগী ‘রমশার সাইট’ কী মনুং চল্লিবা লোক্তাক পাৎ অমসুং মসিগী অকোয়বগী ফীভম চেকশিন্নীংঙাই ওইরে হায়না ফোঙদোরক্লি।

য়ুনিভর্সিটি অসিগী চেরোল অমনা হায়, লোক্তাক পাৎ অমসুং মসিগী অকোয়বগী ফীভমদা চথখিবা রিসর্চতগী ফংলকপশিংগী মনুংদা ...মখা লমায় ৩ কলম ২

## দেঙ্গীগী অনৌবা কেস ১২৪

**ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৭ (ঐচএনএস):**
ঙসি নুমিদাংৱাইরম হেল্থ সর্ভিসেস লোয়শঙদগী ফংবা রিপোর্টকী মতুংইন্না হৌখিবা পুং ২৪গী মনুংদা দেঙ্গীগী পোজিটিভ কেস ১২৪ থেংনরে হায়রি।

কেসশিং অসি ইম্ফাল ৱেষ্টতা ৮৭, ইম্ফাল ইষ্ট-২৫, থৌবাল-২, বিষ্ণুপুর-১, সেনাপতি-১, উখ্রুল-৫, চান্দেল-১, কাংপোকপী-১, চুড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্টতা ১ থেংনবনি হায়রি।

অনৌবা কেস ১২৪ অসি হাপচিল্লবা মতুংদা ঙসি ফাওবদা ষ্টেট অসিদা থেংনবা লায়না অসিগী অপূনবা পোজিটিভ কেস মশীং ৩৪৬৫ শুরে। দিষ্ট্রিক্টশিংগী ওইনা থেংনবা মশীংনা ইম্ফাল ৱেষ্ট-২৪১৯, ইম্ফাল ইষ্ট-৬৩৮, থৌবাল-৭৬, বিষ্ণুপুর-৯৩, ...মখা লমায় ৩ কলম ৬

# টুরিষ্টশিংনা পি এ পি লৌবদা মায়োক্লবা খুদোংচাদবশিং গভর্ণরদা পাউদমখ্রে



**ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৭ (ঐচএনএস) :**
ইন্দিয়ন এসোসিএশন ফোর টুর ওপরেটরস (আই এ টি ও), মণিপুরগী ষ্টেট ইন-চার্জ ঐচ রাধাকৃষ্ণ য়াওনা পুন্না মীওই ৫না ঙসি রাজ ভবনদা গভর্ণর উন্নদুনা মণিপুরদা লাক্লিবা ফোরেন টুরিষ্টশিংনা প্রোটেক্টেদ এরিয়া পার্মিট (পি এ পি) লৌনবা হোৎনবদা টুর ওপরেটরশিংনা মায়োক্লরিবা খুদোংচাদবশিংগী মতাংদা অইবা চেরোল অমা পীশিনখ্রে।

খুদোংচাদবশিং অসি মায়োক্লদনবা গভর্ণরদা ভিশাগীদমক পি এ পি এপ্লাই তৌরকপা মতমদা প্রি এরাইভেল পি এ পিগী অয়াবা পীবিনবসু এসোসিএশন অসিগী মায়কৈদগী গভর্ণরদা হায়জখি। গভর্ণরনসু টুরিজমগীদমক এসোসিএশননা লৌখৎলক্লিবা থবকশিংবু থাগৎপা ফোঙদোকখি।

# চাইল্ড প্রোটেক্সনদা মায়োক্লবা খুদোংচাদবশিং কোকহন্নবা ষ্টেটকী থাক্তা খন্নগদৌরি

**ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৭ (ঐচএনএস) :**
মণিপুরদা চাইল্ড প্রোটেক্সন সিষ্টমদা লৈরিবা অহোবশিং অমসুং থবক অসি পাঙথোরকপদা মায়োক্লবা খুদোংচাদবশিং কোকহন্নবগী পান্দমদা মিনিষ্ট্রি ওফ ৱিমেন এন্দ চাইল্ড দিভেলপমেন্টগী মখাদা নেশনল কম্মিশন ফোর প্রোটেক্সন ওফ চাইল্ড রাইটস (এন সী পি সী আর) গী মখাদা ষ্টেট লেভেল কনফরেন্স অমা পাঙথোক্কদৌরি হায়রি।

কনফরেন্স অসি ‘গেপস এন্দ চেলেঞ্জেস ইন ইমপ্লিমেন্টেশন ওফ জে জে এক্ট, ২০১৫, পোক্সো এক্ট-২০১২, চাইল্ড ট্রাফিকিং অমসুং সেফটি এন্দ সিক্যুরিটি ওফ চিলদ্রেন ইন স্কুলস’ হায়বা পান্দমদা পাঙথোক্কদবনি হায়রি।

ষ্টেটকী থাক্তা কনফরেন্স অসি অঙাংশিংগী হক ঙাক শেন্দুনা থম্নবগী পান্দমদা পাঙথোক্কদবনি হায়রদুনা এন সী পি সী আরনা মণিপুর কম্মিশন ফোর প্রোটেক্সন ওফ চাইল্ড রাইটস (এম সী পি সী আর) অমসুং ষ্টেট লৈঙাক্কা খূৎশম্নদুনা চাইল্ড রাইটস লেজিসলেশনশিংগী মতাংদা মায়োক্লবা খুদোংচাদবা অমসুং ইস্যুশিং মশক খঙদোক্লবা হোৎনরি হায়রি।

চাইল্ড রাইটস লেজিসলেশনশিংগী মনুংদা জুবেনাইল জষ্টিস (ক্যের এন্দ প্রোটেক্সন ওফ চিলদ্রেন) এক্ট-২০১৫, প্রোটেক্সন ওফ চিলদ্রেন ফ্রোম সেক্সুএল ওফেন্সেস (পোক্সো) এক্ট-২০১২, চাইল্ড লেবর প্রোহিভিশন এন্দ এমেন্দমেন্ট এক্ট, ২০১৬ অমসুং রাইট টু এদ্যুকেশন এক্ট-২০০৯ য়াওরি হায়রি।

# তৌবুল গভর্ণমেন্ট হায় স্কুলদা সঙাইগী সেন্সিটাইজেশন প্রোগ্রাম পাঙথোকখ্রে



**ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৭ (ঐচএনএস) :**
সঙাই ফর্ষ্ট ফাউন্দেশন মণিপুরনা চহী অমা চুপ্পা চত্থরক্লিবা স্কুল মহৈরোয়শিংবু সঙাইগী মতাংদা ৱাখল তাহন্নবা প্রোগ্রামগী মনুং চন্না ঙসি অয়ূক্তগী হৌরদুনা তৌবুল গভর্ণমেন্ট হায় স্কুলদা মহৈরোয়শিংগী অখন্নবা সেশন অমা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অসিদা ফাউন্দেশন অসিগী মেনেজিং ট্রষ্টিসু ওইরিবা হায় স্কুল অসিগী হেদ মাষ্টর ডা. কে ঐচ শামুঙৌনা মাঙজিল থানা শরুক য়াখি। প্রোগ্রাম অসিদা এস এফ এফকী ট্রষ্টি ঈ প্রেমজিৎনা মহৈরোয়শিংনা সঙাই ঙাক শেনবদা লৌগদবা থৌদাংশিং শন্দোক্লা তাকখি।

## খূৎশু-খূৎলায়শিং ফংলে

**ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৭ (ঐচএনএস):**
পুলিস কন্ট্রোল রুমনা ঙসি নুমিদাং থোরকপা চেরোল অমদা ঙসি পুলিসনা খোংজোম পি এসনা কোল্লিবা খোংজোম লাঙথেল হঙোইপাৎ চীংদগী খূৎশু-খূৎলায় কয়া ফংলে হায়রি।

ফংলবশিংদি এস এল আর অমা, ৩০৩ রাইফল অমা, পম্প এক্সন শোর্ট গন অমা, হেন্দ গ্রেনেদ অমা, তোঙান তোঙানবা নোংমৈশিংগী মরূ ৩৪৭, দবল বেরেলগী কাট্রিজ ১৭, তোঙান তোঙানবা নোংমৈগী মেগজিন ৪, চার্জর ক্লিপ ৮ অমসুং মেগজিন পৌউচ ৪নি হায়রি।

## মাঙজৌননা খঙহল্লমগদবনি নৎত্রগনা অয়াবা লৌগদবনি : মুসু

**ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৭ (ঐচএনএস):**
মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন (মুসু)-২০২৫-২৬কী প্রসিদেন্ট, ভাইস প্রসিদেন্ট, জেনরেল সেক্রেটরি, ফাইনান্স সেক্রেটরি, ...মখা লমায় ৩ কলম ৭

## ষ্টেট অমসুং য়ুনিয়ন টেরিটরি ১২দা এস আই আর পাঙথোক্লগনি

**ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৭ (ঐচএনএস):**
মাঙজৌননা লেপখিবগী মতুংইন্না ঙসি ইলেক্সন কম্মিশন ওফ ইন্দিয়ানা ন্যু দেল্লীদা পাউগী মীফম অমা পাঙথোক্লদুনা লৈবাক অসিগী ষ্টেট অমসুং য়ুনিয়ন টেরিটরি ১২দা স্পেশল ইন্টেন্সিভ রিভিজন (এস আই আর) পাঙথোক্লগনি হায়না লাউথোকখ্রে।

রিভিজন পাঙথোক্লগদবশিংদি অন্দমান এন্দ নিকোভর আইলেন্দস, গোৱা, পুদুচেরি, ছটিশগর, গুজরাট, কেরলা, মধ্য প্রদেশ, উত্তর প্রদেশ, রাজস্থান, ৱেষ্ট বেঙ্গল, টামিল নাদু অমসুং লক্ষদিপনি। ৱাফম অসি ঈ সী আইগী সী ঈ সী জ্ঞানেশকুমারনা লাউথোকখিবনি।

# খেলেন থোকচোমগী ৬৫শুবা মপোক কুমওন থৌরম পাঙথোক্তুনা লৈ-শু কৎখ্রে



**ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৭ (ঐচএনএস) :** মণিপুরগী শক্লাইরবা পাউমীশিংগী মনুংদা অমা ওইরমখিবা লৈখিদ্রবা খেলেন থোকচোমগী ৬৫শুবা মপোক কুমওন থৌরম ঙসি তেরা তোংব্রম লৈকায়দা লৈবা মহাক্কী য়ূমদা পাঙথোক্তুনা মহাক্কী মফমদা লৈ-শু কৎতুনা ইকায়খুম্নখ্রে।

খেলেন থোকচোম ট্রষ্ট (কে টি টি) না শীন্দুনা পাঙথোকখিবা থৌরমদা ট্রষ্ট অসিগী প্রসিদেন্ট রোবার্ট সাপম অমসুং লৈখিদ্রবা সিনিয়র জর্নেলিষ্ট অসিগী লোয়নবী থোকচোম ওংবী মেমচানা লুচিংদুনা ...মখা লমায় ৩ কলম ৬

হিয়াঙ্গৈগী নীনি পানবা ‘নিঙোল চাক্কৌবা’ দা আই দি পি নিঙোলশিংগী ৱাফম

# রিলিফ কেম্প অসিদা চহী কয়া লেনগদৌরিবনো হায়বা খঙদ্রে : বিনোয় নিঙোল চাক্কৌবগী হরাওনরবসু ঐদি শরুক য়াবা ফংদ্রে : গঙ্গারানি

*রিলিফ কেম্পতা লৈরক্লিবশিংগী*
**হকথেংনবা পাউদম**
চুড়াচান্দপুর ১দি সাইতোন ৱাথ লম্বীদগী খুঞ্জাশিং

(ঙরাংগী মখা...)
মণিপুরদা মীগা-লাইগা শম্নরিঙৈগী হাক্তক্তগী হিয়াঙ্গৈগী নীনি পানবা নুমিৎতা নিঙোলশিং চাক্কৌবগী থৌরম পাঙথোরকখিবগুম হন্দক চহীগীসু মীতৈ ফুরুপকী খ্বাইদগী চাউবা কুম্মৈশিংগী মনুংদা অমা ওইরিবা নিঙোল চাক্কৌবগা মরী লৈননা নিংথৌখোংগী মাঙ্গোলঙানবী কোলেজদা হাংবা রিলিফ কেম্পতা চঙজফম লৌরক্লিবী নিঙোলশিংগা হকথেংননা উন্নদুনা কুম্মৈ অসিগী মতাংদা মখোয়গী অনীংবা অপাম্বা অমসুং মখোয়দি শরুক য়াবা ফংব্রা নৎত্রগা ফংদব্রা হায়বনচিংবা ৱাহংশিং হংদুনা আই দি পি নিঙোল খরগা ৱারী শানরক্লবা মতুং রিলিফ কেম্প অসিদা লৈরকখিবা চুড়াচান্দপুরদগী মশাগী চহী ৫০ রোম শুরবা ইঙুদম বিনোয়, অপোকপা আইনবদিপনা পাউচে অসিদা হায়, ঐহাক্লা চহী খুদিংগী নিঙোল চাক্কৌজরিবা ইচননুপী অনীগী মনুংদা অমদি লৈখিদ্রে অদুবু লৈহৌরিবা ইচন অসিসু লান অসিনা মরম ওইরদুনা য়ূম-কৈশিং মৈনা তুম্না থাদোকখিবদগী ঐখোয়গা পুন্না লাঞ্জেন্নরক্তুনা রিলিফ কেম্প অসিদা ...মখা লমায় ৩ কলম ২


চুড়াচান্দপুরদগী ইঙুদম বিনোয় অমদি সাইতোন ৱাথ লম্বীদগী সলাম ওংবী গঙ্গারানি

## পাবুং ইবোয়াইমগী কুমওন

**ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৭ (ঐচএনএস):**
হয়েং অয়ূক পুং ১১ তারকপদা পাবুং ইবোয়াইমা মেমোরিএল ট্রষ্ট (শীংজমৈ থোঙাম লৈকায়) না শীন্দুনা মীয়াম্না ফাদর ওফ সোশল ৱার্কর হায়না ...মখা লমায় ৩ কলম ৬

## মরী লৈনদে : প্রিপাক

**ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৭ :** পিপলস রেভল্যুস্নরি পার্টি ওফ কংলৈপাক (প্রিপাক) কী পব্লিসিটি ওফিসর (দিপার্টমেন্ট ওফ পব্লিসিটি এন্দ প্রোপেগন্দা) মঙাল খুমননা থোরকপা চেরোল অমদা থোংখোঙ লক্সমি ...মখা লমায় ৩ কলম ৬

গ্যাসকী পাউ লমায় ৩দা